# ঐখোয়, সেকেন্দ ক্লাস সিটিজেন’লা?



**- এস ইন্দ্রকুমার-**

‘মণিপুর’ - মতম অমদা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরমদে, নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বা অচুম্ব’সি ঐখোয়, ইন্দিয়ন হিষ্ট্রিগী লাইরিক পারগা খঙলকপা নত্তে। ইন্দিয়া’দা মণিপুর পুনশিনখিবা (মর্জর এগ্রীমেন্ট) কী ৱারী’সি, হিষ্টরিয়নশিংনা ইন্দিয়ন হিষ্ট্রিগী লমায়শিংদা ইরমদে। অতোপ্পা সোর্সতগী হিষ্টরিয়ন নত্তবা মীওইশিংনা অনৌবা মীরোলদা খঙহল্লকপনি। করম্বা ফীভমদা, করম করম্বা য়ানরোল ইনদুনা য়ানরগা ইন্দিয়াদা পুনখিবনো হায়বদু ইন্দিয়াগী পোলিটিকল লিদরশিংনা নীংশিংবা অমদি খন্নবা’ সূপ-পাম পামদে। ঙসিগী মণিপুরগী মীরোলনদি ৱাফম অসি পোলিটিকল ইস্যু ওইহন্নীংই।

মণিপুর-পুনশিন-ৱারোল’ গী ইস্যুসিদা ৱারেং ইগে খন্দুনা পায়খৎচরুবা কলম নত্তে। মণিপুর’না ইন্দিয়া ওইখ্রবা মতুংদা পোল্লবা মীওই অমা ওইরুবনা ঐহাক’সু ‘ইন্দিয়ন’ হায়বা শক্তাক-ৱাহৈ অমবু ইরোয়তা লোয়নরগনি। অদুসু, ‘মেইন-লেন্দ-ইন্দিয়ন’ নত্তবা ‘নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়ন’! ৱাহৈসিনা ওইবা তাই ‘সেকেন্দ-ক্লাস-সিটিজেন’ হায়বা অতোপ্পা ৱাহৈ অমগী মরূ হুনখিবা। মণিপুরগী মীয়াম্না ‘ইন্দিয়ন’ ওইদ্রিঙৈ, চহী কয়াগী মমাঙদগী, লমদমসিগী নিংথৌনা লমদমসিগী মীয়াম্বু হিন্দু-লাইনীং (সনাতন ধর্ম্ম) দা ওনশিনবীখিৌদগী ইন্দিয়ন হিষ্ট্রি, ইন্দিয়ন জিওগ্রাফি, ইন্দিয়ন ভেল্যু অমদি ইন্দিয়ন কলচর-লমদমসিগী মীয়ামগী পূক্নিং-ৱাখলদা মচু শঙজিল্লকখ্রবনি, নমদুনা ইম্পোজ তৌরকখ্রবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, স্কুল-কোলেজগী মোর্নিং-সেশন হৌরমদাই ‘জন গন মন অধিনায়ক জয় হে’ ... শক্ত য়াদবা ইনভোকেশন সোং ওইরকই। সিনেমা হোলশিংদা, অরোইবা শো লোইরগা, পাল্লবা স্ক্রন অদুদা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহল্লগা ‘নেশনল এন্থেম’ শক্লকপা, হায়নরুবা তৌদনা চপ লেপ্লগা ফিরালদুবু ইকায়খুম্নবা... য়ক লাউবা ‘ইন্দিয়ন-মাইন্দ-সেট’ অদুগা লোয়ননা চাউরকখিবনি ঐখোয়।

মপূম-মরৈ ফারক’, ইন্দিয়া হায়বা মিং অসি ইরোয়নবা বেঙ্কিং কম্পনি ‘য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া’ গী শিন্মী অমা ওইরক্তুনা দেল্লী-বোম্বে-কলকত্তা’দা পাঙথোকপা শিন্মীশিংগী মীফম য়াওবা চৎপদা-‘ঐখোয় মণিপুরদগীনি’ - চাউথোকচনা খুম্লুবা, ‘মণিপুর কদায়দা লৈবগে’ - নমহং হংজিল্লকপদা ঐহাক্কী ‘ইন্দিয়ন অমনি খন্না চাউথোকচবগী নাপল’ মাঙখিবগী থৌদৌশিংদু নীংশিংলকই। ঐগী ৱারী তাবদা ঐগী ওজা ‘মোহেন্দ্রো’ গী থেমজিন ৱাহৈ অমনা খোয়শাউনবা ফীলিংদু নেমথহনখিবনি... ‘ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমনা ইন্দিয়ন অমনি খন্না চাউথোকচবগী নাপল’দু অমেরিকান সিফাই অমনা ‘ঐ অমেরিকান অমনি’ হায়বদা চাউথোকচবদুগী মনাক নক’ঙমদে’...।

মতমদুদা, ইশানা ইশাবু থেমজিনজবদা নীংশিংখিবা ৱারী অমনি- ইন্দিয়ন এক্ট্রেস ‘নর্গিস’না, ওস্কার এৱার্দ ফঙ্কশন’দা, মেহবুব খানগী ‘মাদর ইন্দিয়া’ ফিল্মগী এৱার্দ লৌবা চৎপদা, মচু থোক্লা লংলবা শাড়ী’না লৈতেংলবা ‘ইন্দিয়ন এক্ট্রেস’ অদু তম্না মীয়াম-ওমশিল্লকপদু উবদা ’নর্গিস’না খনজখি... ‘ৱেষ্টর্ন ব্যুটি মরক্তুদা ইন্দিয়ন ব্যুটিগী মশক উবদা শুমহৎলিবা ওইরিনি’...।

‘হ্বিচ কন্ত্রি য়ু আর ফ্রোম’ (নহাক করি লমদইনো)?

‘ঐহাক ইন্দিয়াদগীনি’, নাপন য়াওর’ পাউখুমনি।

‘ও...ইন্দিয়াদগী!? ...মফমদুদবু য়ূম লৈবরা?’ ... ঙক্লা হংলকপা প্রেসমেনশিংগী ৱাহংদুনা, ইন্দিয়ন টোপ ষ্টার অমগী নাপল থুদেকখি।

‘ঐখোয়, ইন্দিয়নশিংদি য়ূমদা লৈবা হৈতে, উপাল-ৱাপালগী মতোন্দা উচেক্কুম্না য়ূম শাদুনা লৈ’... মশানা মশাগী থম্মোয় শোকহনজনা খুমখিবা পাউখুমসিদা ‘ইন্দিয়ন প্রাইদ’ অদু কদায়দা মাঙখ্রবা! পাউ অদু পানা পানা খনখিবদু হৌখিবা চহীচাগী সভেন্টিজগী ময়ায় চল্লকপদনি। মতম অদো ঐখোয়গী পূক্নিং-ৱাখল ‘প্রো-ইন্দিয়ন-ফিলিংস’না পাথোক্লিঙৈ মতমনি।

ঙসি, চহী য়াঙ্খেগী তুং, ওইরক্লিবা শক্তমসিগা কয়াম শাথীনা খেন্নরবা! ইশামক্কী লমসিদা, মীরমদগী হাইজিল্লকপা মীতোপশিংনা মাঙ-তুং, নাক-য়েৎ, মায়কৈ মরীদা লাঙ্গোয় চন্দুনা থল্লগা, ঙায়োক চফুদা য়োক্তুনা থম্বা লেম্লে-ঙাগুম হিংলিবা! ইশাগী ইঙ্খোল চাইগোইনুংসিদসু ইনীং তম্না চৎচবমকফাও’ ঙমহন্দ্রবা! ৱাহ! মোদি! ৱাহ! মালেমদা মাঙজিল থারিবা, বিক্সিট ভারত অমনি ক্লেম তৌরিবা ইকায়বা হায়বা ৱাহৈ’দু অদোমগী দিক্সন্যারিদা য়াওদ্রবরা? হংলিবনি লমদমসিগী য়েলহৌমী খুদিংমক্লা মথম্মোয়দা। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী প্রাইম মিনিষ্টর হায়বসি ইমুং অমগী মপী-মপা শক্লবা কষ্টদিয়ন অদুমক্লি। য়োকপা-থাকপা, ঙাকপা, শেনবা পূন্নমক মাগী মথৌদাংনি। ইমুংদুগী মীওই অনী খৎনরকপা/ফূনরকপা মরন্নাই য়েংথীনবনি খন্না য়েংদুনা লৈথোকপা য়াদে। য়ূমলোন্নবই ইমুংগী মীনা হাইজিল্লক্তুনা ইয়ূম্মক্তদা খূৎ থারবা, মখূৎ তুংবুন্নদুনা লেপ্তুনা লৈবা য়ূম্বুরেন অদুবু কৌই মীথিবোঙ/মীতম্বাল! হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী থাকসিদা ঐখোয়গী লৈঙাক মপু/লৈঙাক-থৌ’পুবশিং মীথিবোং/মীতম্বাল ঙাক্তনি হায়বসিমদি ময়েক শেংলে। মখোয়দা থৌদাংসি শিন্নরুবা ঐখোয় মীকপ থোক্তনা তূমদুন’সুম লৈরবা, শোয়দ্রবনি - নোং ঙাল্লকপদা, য়াই থাদুনা পঙথহল্লবা শমু-হকচাংগুম লেঙঙমদনা লৈরম্বা। অদুবু ঐখোয়, খঙলিবনি ’সিমদি- ‘লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং লৈতে ঐখোয় তূমদুনা, অমম্বদা থম্বনি, লেঙবা ওৎপা ঙমহন্দা... লাউবা খোংবা তৌরকপা, তারবসু তাদ্রিবা লৈরিবনি মরম’মা...।

হন্দক, এপ্রিল ২২, ২০২৫- লৈবাকসিদা অঙকপা থৌদোক অমা থোকই। মণিপুরগী হিন্দুশিংবু মী নত্তবা, উমংদা পঙচা-চা, পঙহিং-হিংবা, মমল লৈতবা থৱায় ওইনা উবা, মীরৈবাক-কোয়বদা পৃথিবীগী রেকোর্দ থম্বা, মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অসি মচীন্দুনা পনবদা পাৎকনি খনবা, য়েম্মৌননা থোকপা লুচিংবা অমা, মখায়না খোয়দাজবা আরবকী লম খরদা কোয়রিঙৈ, কাশ্মীর’গী ‘পহলগাম ভেল্লি’দা শকখঙদবা টেররিষ্টশিংনা মফমদুদা লমকোয়বা লাকপা, হিন্দু টুরিষ্ট ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে তাবদা, মাগী ফোরেন খোঙচত্তু খংতেন তেনশিন্দুনা ইন্দিয়াদা তনহন হল্লকখি। মণিপুরদা চান্মা শিরল্লবা, খঙশিন্নদ’ লৈরম্লি। খোঙচৎ তেনশিনহন্দনা হেন্না শাংদোকহল্লগা অতোপ্পা লম খরদসু চৎলম্লি।

ইস্লামিষ্ট-টেররিষ্টশিং অদুনা লমকোয়-মীশিংদুদা, কদায়দগী লাকপনো/ করি মিং কৌবনো/ করি লাইনীং চৎপনো হায়বনচিংবা ৱাহং পাউহং তৌরগা মুসলমান নত্তবা টুরিষ্টশিং খন্দোক্লগা হাৎপনি হায়বা ৱাফম অসি ইন্দিয়ন (হিন্দু) শিংনা য়াম্না লূম্না, সিরিয়স ওইনা লৌই। মুসলমান নত্তবা কনাবুসু (অসামদগী অনীদু) ‘কলমা’ (অল্লাহগী মতিক মগুণ অমদি মুহম্মদপু শৈথাবা ঈশৈ/শৈরেং) থিবা হৈবা/খঙবদুদি হাৎলমদবসিনা - এপ্রিল ২২গী পহলগাম-মীহাৎ অসি ইস্লামিষ্ট-ফন্দামেন্টেলিষ্টশিংনা চত্থরম্বা থবক্লি হায়বসিমদি চেনবা য়াররোই। ‘কলমা’- অতৈ করিসু নত্তে, ‘তাইবঙসিদা অল্লাহ নত্তবা অতোপ্পা লাই অমা লৈতে অমদি মুহম্মদ মথন্তনা মাগী পাউজেল পুবনি’ হায়বসিদা থাজবা/শৈথাবা শৈরেং তরুকখক্কী মমিংনি। পহলগাম’দা এটেক চত্থরল্লিবা টেররিষ্টশিং অসিগী পাউজেল ময়েক শেংই... ‘কাশ্মীর মুসলমানগী লৈবাক্লি, হিন্দু/ইশাই লৈবা য়ারোই’... হায়বসি খঙহন্নবা অকি-অখং পোকহনবনি।

মণিপুরদা লোন্না চঙশিল্লকখিবা কুকিশিংনা, লমদমসিগী য়েলহৌমী ‘মীতৈ’শিংদা এটেক চত্থরকখিবদুগা করি খেন্নে? খ্বাইদই ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি - ঈরাংদু খাম্বা লাকপা, মশীং থিঙমদ্রবা ইন্দিয়ন পেরামিলিটরি পর্সনেলশিং অমদি ইন্দিয়ন আর্মি পর্সনেলশিংনা ইল্লিগেল-ইম্মিগ্রেন্ট-টেররিষ্টশিংগী মীচঙদা, ইফোং ফোংনা লেপখিবা, এগ্রেসরশিংগী মথক্তা মিলিটরি এক্সন অমত্তা লৌখৎলক্তবা অসিনি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রবা লৈঙাক্লি হায়দুনা বিরেন লৈঙাক চিংথদুনা প্রসিদেন্টকী মহুৎ শিন্দুনা লৈঙাক্লিবা ‘গভর্নর’ গী য়াথং ফাওবা ফোংনা শীংনরক্লিবা কুকিশিং! কাঙলোন লান্না পায়বা নোংমৈ সরেন্দর তৌগদবনি- লাউথোকপদা ‘সরেন্দর তৌরোই’ শীংনবা! নেশনল হায়ৱে অনীদসু মীতৈ চৎহল্লোই মহায়বা! অদুগসু খোঙ্গ্রাই শৎ ফল্লিবা দেল্লী লৈঙাক-ঐবু করি খল্লুগে! ‘নখোয়দি ইন্দিয়ন নত্তে, সেকেন্দ ক্লাস সিটিজেননি’ হায়বা নত্তনা করি ওইনি? ●

# শান্তিবু ইখৌ লাংলিবা কবি খোইস্নাম মংগলগী শৈরেং লাইরিক ‘ঐগী লৈকাইগী ৱারী’

## - লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা




**- তোংব্রম অমরজিৎ -**


খোইস্নাম মংগল, মমালোল অমদি সাহিত্যবু য়াম্না নুংশিনা হৌরকখি। চাওরাক্লা কুমজা ১৯৮৯ অদুৱাইদগী মণিপুরী সাহিত্যদা খোঙদাদুনা মমালোলগী থৌগল তৌদুনা লাকপা হৌরকখি। মরু ওইনা শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচা ইদুনা লাক্লি। তোঙান তোঙানবা মণিপুর মপান্দা ফোঙবা সাহিত্যগী চেফোঙশিংগী এদিটর ওইদুনা ঙসিসু অদুমক ইমালোলবু হেন্না থাক ৱাংনা পুখৎনবা হোৎনরিবা অইবনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরা, মণিপুরগী লেংগ্বেজ এন্দ লিটরেরি ফোরম, খোয়াই ত্রিপুরা, মণিপুরী শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়া, ত্রিপুরা চেপ্টর, শ্রীশ্রীরাধামাধব সেবা কম্মিটি অসিনচিংবা কয়াগা পূন্না থবক কয়া তৌমিন্নদুনা চৎলি। ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি - (১) মৈতৈগী শীংলিদা মিহুল চোংদ্রে (রাইম) (২) মালেমগী লৈমায়দা মণিপুরীশিং (ৱারেং সম্পাদনা) অসিনচিংবনি।

মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা ঈগী মরী ইচিল ইনাওশিং, লাই-গুরু, অহল-লমন, ইপা-ইতোন, ইচে-ইনেমশিং মখোয়গী চারোল শুরোল কয়ানা ঙসিসু মণিপুরী অমা ওইনা মৈতৈ অমা ওইনা ইমালোল অমদি ইজাতি অসিগী চৎনবী থাজনবী লাইনীং লাইশোল ঙাক্লা চাওথোকচনা হিংলি। ঐখোয়গী ইনাকখুল্লবা লোল অমদি ময়েক লৈজরম্বা অসিনা হেন্না অমুক্কা মতিক ময়াই লৈহল্লিবনি ঙসি। মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্কৈদা মপান মণিপুরী অইবশিংগী খুদোল শীংথানীংঙাইনি। থেংলবসু থেংনা মপান মণিপুরী দাইস্পোরাগী ওইবা ঈহৌশিং মণিপুরী খোরিরোলদা চাউনা মমি তাদুনা ঙসিদি নিংথিরবা লৈকোল অমগুম লৈশাৎ তল্লক্লি। হায়রিবা অইবা-অইবীশিং অসিগী মরক্তা খোইস্নাম মংগলসু মশাগী ওইবা খূৎই ষ্টাইল অমা শেম্নবা হোৎনরিবা অমদি মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা য়াওরিবা অইবা অমনি। মহাক্কী শৈরেংদা মণিপুরী খুন্নাইগী মশক, কন্টেম্পরেরি ইস্যুশিং, লৈবাক নীংবা থিম অসিনচিংবা কয়া ইরকপা থেংনৈ। অইবা মংগলগী ‘ঐগী লৈকাইগী ৱারী’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৩৫ য়াওরি।

খুন্নাই অমদা নুপীশিংবু থাক ৱাংনা খল্লিবা অমদি মখোয়বু ইকায়খুম্নবগী মতিক খুন্নাই অদুনা হীরম কয়াদা লমজিংদুনা অফবা ফিদম্নিংঙাই ওইবা লম্বেল অমা পুবা ঙম্মী হায়বসিদা থাজবা থমদুনা নুপীশিংদা, চনু নিঙোলশিংদা য়ূমগী য়ূম্বুরেন্বীশিংদা মীকপ থোকপা য়াবা পাউজেল লোয়নবা কবি মংগলগী শৈরেংনি ‘নুপী’। লাইরিক অসিগী হেক ইহান হানবা শৈরেং অসিদা কবিনা নৌহৌননা নুপীশিংদা পূক্নিং ৱাখল শোন্থবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা ইরক্লি, “নুপী নঙ কিগনু ঙসিদি/মান্নবগী অধিকার পীরবনি।/নশাগী ফিদা নখূৎনা থাজ রো পাক্লা/নঙদি মমানি তাইবঙ শেন্বীনি/শিতোকউ মঙ ৱাখলগী শুমজিৎনা... কোকথক্তা অতিয়া,/নুমিৎ থা থৱাম্নীচাক/খঙঙু নঙগীসু শরুক য়াওরিবনি...’ (লা: ১১) নুপীনা লাইরিক হেন্না তল্লগা করি তৌদোইনো হায়নরম্বা, নুপী পোকপদা কয়া হরাওরমদবা অমদি নুপীবু থাক ৱাংনা লূম্না খল্লমদবা অখুবা মিৎয়েং, নুপীদি ভোট থাদবা য়াদে অসিনচিংবা অরানবা ৱাখল পূন্নমক শৈরেং অসিনা কাউন্টর তৌদুনা অহেনবা থৌনা অমদি ইথিল পীরি।



লাইরিক্কী মমিং :-
ঐগী লৈকায়গী ৱারী (২০১৬)
অইবা :- খোইস্নাম মংগল
অফোঙবা :- অশাংবা কম্যুনিকেশন, ইম্ফাল
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ২০০/-
লমায় মশীং :- ১৪০
(মৈতৈ ময়েক য়াওরগা)




মীওইবদি লান পামদে। মীচম মীয়ামদি শান্তিবু ইখৌ লাংদুনা মতম খুদিং লৈরি। লান পাল্লিবশিংদি লানবু শেন্দোং তানবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা শিনফম অমগুম খল্লিবা শক্তিতবু মীকাবা লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংনি হায়বসি থোক্লিবা মালেমগী তমথীরবা লাঞ্জাওশিংগী তাহে-উহৈদ্রবা থৌদোকশিংনা লেঙদ্রবা খুদম ওইরি। লৈবাক মশেল মরক্তা লৈনুংগী খনিগীমক্তা মিকানদুনা অসিদা হি-য়াই মুন্নবগী শক্তি উৎনবা অমদি লোইলম লৈঙাক্লা অশোনবা লৈবাক অমদি মীয়াম্বু শক্তি লৈবা মখোয়গী মখাদা থম্নিংবদগী লান কয়া লেপ্তুনা থোক্লি ঙসিসু। রুসিয়া-য়ুক্রেন লান লোইদ্রি। নোংপোক-নোংচুপ অনীগী কোল্ড ৱার ৱারোইশিন লাকপা লৈতে। পীল্লবা চীংলৈবাক্কী ইরমদম মণিপুরদসু লানদি হৌজিকসু মকা ফোংদনা তৌরি। ফোং ফোং শারি কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী কাঙলূপ-ফূরুপ অনীগী লান। মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নদুনা হিংলি মীৎলু পিরাং কংদনা। লৈঙাক্লা থৌশিল শোয়বদগী ওইরগদরা ঙসিসু মীয়াম্না তংদু লৈতানা হিংবা ঙমদ্রি। ইংলিস কবি জেমস কিরকুপনা কুমজা ১৯৬৬তা ফোঙখিবা শৈরেং ‘নো মেন আর ফোরেন’ মতাংসিদা নীংশিংদবা ঙমদে। ঐখোয় মীওইবসি কনানা কনাগীসু য়েক্লবা নত্তে। অমনা অমবু খঙনদনা, উনদনা, ৱারী ফাওবা শাদনা হেক্তা লান্দা মীওইবা মশেল অমম্বা অহিংদা করিগী ঐখোয় অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা নোংমৈ কাপ্লগনি। মসি অরানবা মীৎয়েংনি অমদি মসিনা মালেমদা কৈদৌঙৈদা শান্তি পুরকপা ঙল্লোই। কবি মংগলসু শান্তিদা থাজবা থল্লি। অদুনা ইরক্লিবনি, ‘শান্তিগী পাউজেল’।

‘লান কৌবা লাইসিগী মনাক্তা/চঙখিবা লান্মী পূন্নমক/কনাসু থোরকত্রি/ঙসি ফাওবা হিংনা... কাইখুমফি শাবদা মপুম থীৎলবা/মমাশিংগী থম্মোয়দা/থৌনাগী মৈরা চুখৎলমগনি... হু য়ানশিল্লবা লমদমসিগী/ঈশিং নুংশিৎ অখাবা মরক্তা/হঙ্গর ষ্ট্রাইক প্রোটেষ্ট রেল্লি/বন্দ কর্ফিয়ু/নোংমৈ মখোল অমা/অশিবা অমা/পুঙৌ ফনেক মিৎলু পিরাং/চৎনবী ওইরিবা লমদমসিদা/ফুঙ্গাগী ৱামৈগুম মুৎপা নাইদনা চাক্লিবা/মৈতৈগী পোৎলোইফমদা মৈ/প্রেমগী পিরাংনা মুথৎলমগনি ঐ। ... য়েক্লবগী ঙকশমদা অহিংসাগী/লীক্লাং পরেং হুক্লমগনি/শান্তিগী পাউজেল পুদুনা লাক্লিবনি ঐ...” (লা: ১৪) মসিনা কবিনা তেংথারিবসি লমদম অসিগী নে তাদ্রবা মশক অদুনি। অদুবু কবিনদি চেৎনা থাজবা থল্লি অহিংসাদা। নুংশিবা ঈশৈ শক্লিংলি শান্তিগী লেপ্তুনা। অদুনা কবি মশা ওইনা থোক্লক্লি পাউজেল অমত্তং পীরুনবা শান্তিগী মফম খুদিংদা চৎতুনা।

লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং অসিদা কংলৈ লমদম অসিগীদমক তেংথারক্লি কবিনা থৱায় ৱাজনা। কবি লৈকাই অসিমক ইরমদম মণিপুরসিনি হায়দবা ঙমদে। লমদম অসিগী লোইশিনবা ঙমদ্রবা ঈরাং অমদি হিংশাগী মরমদা নিংদোল পোল্লি। পোত্থাবা ঙমজদে কবিনা। মীহাৎ-মীপূন, মীশি-মীনা। ফেক এনকাউন্টর, অফস্পা, ঙসি মীতোপ্না খুল্লিংবা, মীতোপ্না ৱায়েনবা, ইশাগী লৈঙাক লিংবা ঙমজদবগী ফীভম অমদা লাকপগুম উরক্লিসিগা শৈরেং অসিগা য়াম্না চুনরক্লি। পলেম মমা ওইবীশিংনা মচাশিংগী তেংথাবা কনানা তারিবগে ঙসি। মরাল লৈতবা চমজবা মহৈরোয়শিং ফাওবা মফম খঙদনা মাঙখিবদগী থিবা খঙদনা লৈবা মশীং হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈবাক অসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা করম্না তূমিন্না লৈগনি। মসি অশেংবা ৱারীদুনি কবিনা লিরক্লিবা, **‘ঐগী লৈকাইগী ৱারী’** “নোংমৈগী য়াক্লবা মখোল মরক্তা/তিনখি মেংলবা ৱাহৈ মা/‘ইমা’/তফিং তফিং চেন্থোকখিবা/মমানা থেংনরুবদা খোঞ্জেলদু/হিপ্পদৈ অসুম তূমথরম্লে,/... অদুদগী কৌবা তাদনা তূম্লিবা/মচাগী নাক্তা ফম্না/য়াকাইরোল ঈশৈ শকই মমানা/অরৈবা পাঙ্গল উৎনা/নীংতম্না কনানসু অথিংবা লৈতনা... খঙহৌদনা অতিয়া শিনথুংখি/অমুবা নোংনা/অখাক অরাও মরক্তা/অকিবা খঙদনা/চেন্থোরকই অঙাং শঙ্গু-শঙ্গু/মমিৎ ঈমুক ঙাংনা।” (লা: ২১)

কবি খোইস্নাম মংগলগী খূৎই য়াম্না ইচং থৌই। শীজিন্নরিবা ইমেজরি য়াম্না চঙখোল্লি। ফজবা শৈরেং কয়াসু লাইরিক অসিদা য়াওরি। শৈরেং লাইরিক কয়া লেপ্তুনা ইবীরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# ককচেংগী মতৌ তমসি

**- আর কে বুধিমন্ত কর্তা -**

ঐনা অঙাং নৱা ওইরিঙৈ, মপূং ফানা লৌশিং লৈত্রিঙৈ মতমদুগী ৱারী অমা মমি-শামি ওইনা ঙসি চহী ৬০ মুক্কী মতুংদা খংনীং নীংশিংলকপা ৱারীদি অসিনি - লৈবাক মীয়াম্না আর কে সী এস হায়রগা খঙনবা ঐগী অপোকপা ইপানা অনীশুবা ক্লাসতা তম্ননবা মীতৈলোলগী টেক্স বূক লাইরিক্তুগী মনুংদা য়াওবা ৱারী মচা অমগী ইল্ল্যুসত্রেশন অমা য়েকখি। লাইদু য়েক্লিঙৌদা ঐনা অপোকপগী মনাক্তা খিল্লিবা veeto ink হায়বা, মতমদুদা দ্রোয়িং য়েকপদা শীজিন্নরম্বা মুকফু মচাদু হেক তুখিদুনা ইপানা য়েক্লিবা লাইদুদা মুক্তুনা চেনশিন্দুনা তৈখিবদু ঙসি ফাওবা কাউদ্রি। তশেংবদি ইপানা য়েক্লিবা লাইদু য়েংনীংবনা চেনশিল্লুবদগীনি। লাইদুগী মরমদা ইপানা করি করিনো, লাইদুনা করি ফোঙদোক্লিবা হায়বনচিংবা পূন্নমক তাকপীখি। অদুবু ঐনা লৌশিনবা ঙমখিদে অঙাং নৱা ওইবনা। ঐনা খরা চাউরল্লবা লাইরিক তম্বা হৌরল্লবা মতমদদি ইপানা য়েকখিবা লাইদু ঐখোয়না অনীশুবা ক্লাস তম্বা মতমদা, মতমদুগী পীক্লিবা মহৈরোয় অঙাংশিংনা তম্নবা টেক্স বুক লাইরিক্তা লাই অদু য়াওই। লাই অদুনা ইরায় লায়না ফোঙদোক্লিবদি অসিনি - নুপা অমনা মহাক্কী মখুদুনা ৱাশা শাজৈ চবুন অমা নমশিল্লগা থেক্লবা হোৎনবদা থেকপা ঙমদবগী পিকচরনি। পাড়াগী ৱারোলদা অসুম্না ফোঙদোকই - নঙনা ৱাশা শাজৈশিংসি অমমমতং ওইনা থেল্লবদি লোইনা থেকপা ঙমগনি অদুবু পূন্না পুনশিল্লগা থেকপদি নঙগী নপাঙ্গল অদুনা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। মসিগী পাড়া অসি মতমদুগী মহৈরোয়শিংদুনা লোইনা ৱাখল তানা চিনফা পুনরম্মী। পাড়া অদুগী ৱাহন্থোক্তি “তরাগী চৈশুনা লেংথোঙ ফাই, অপূনবনা পাঙ্গলনি” হায়বদুনি। অঙাংগী লাইরিক্তা য়াওবা পাড়া ওইরবসু পাড়া অদুনা তাক্লিবদি ঐখোয় মশেল পূনশিন্দুনা মচোই-মচোই তাদ্রবদি কনানবু লাকচবা ঙমগদগে হায়বদু উৎলি। অদুবু ঙসিদি লৈবাক অসিদা অমনা অমা হায়, অমনা অমা চৈ, মানা-মানা তৌনীংবতা তৌই। ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদনবা, ঐখোয় মশেল খৎননবা শিল্লিবসি কনাননো খঙদোকমিন্নদুনা ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গল অসিবু থুদেন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিগী মায়োক য়ামিন্নসি। মচোই-মচোই তারবদি করম্বা থৌনানা য়েক্লা মায়োক য়াদৌরিনো। পুনশিনবতনা পাঙ্গল ওইগদবনি। ঙসি ইমা লৈবাক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিংসি ঐখোয়নবু লিংজেল মান্নরবদি য়েক্লবা কোঙ্গাইনা কৈদৌনুংদসু ঐখোয়বু থেকতৎতুনা তোখাই-তোখাইহনবা ওইথোক্তনি। অদুবু ঐখোয় পূনশিনবা ঙমদ্রি ঙসিসু।

মণিপুরদা থোকখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদসু ঐখোয়না থেংনরি, করম্না-কমদৌনা লৈবাক কায়বগী থৌদোকশিং থোকখিবগে, অয়াম্বনা মচিল-মনাও লিংজেল মান্নদবা, মচিল-মনাও খৎনবা, নিংথৌ খুভম মুন্নবা অসিনচিংবা থৌদোক কয়ানা লৈবাক কায়বগী থৌদোক ওইখি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা হিয়াং লমজেল য়াওনবা মনাও শানোংবদগী অহনবা হী ৱাইরগা হিয়াং লমজেল য়াওরুবদা, হীদান্নরিবা হী অদুগা থেঙ্গাইনবদা খাগেম্বনা হোল্লিবা হীদু কায়রবদা মনাওনুপা শানোংবগী হী অদু অনৌবা অমা শারগা শিংলগে হায়বসু য়াদবা, অমা হায়রসু য়াদ, অমা হায়রসু য়াদ হান্নগী অদুমক পীগদবনি হায়দুনা অদুম লৈবদগী নীংঙাই শংদানরকপদগী শানোংবনা বেঙ্গল লৈবাক্কী মী নেক্তুনা খাগেম্বদা লান্দারক্লম্মী। খাগেম্বনা লান ঙমদুনা মপান্দগী লাকখিবা সিফাইশিংদুবু মীতৈ লৈবাক মণিপুরদা খুন্দা লৈতাহন্দুনা লৈহনখিদো ঙসি ঐখোয়না মীতৈ পাঙল হায়নরিবা অমসুং নোংচুপ হারমগী মীওই কয়াবু মীতৈ য়ূম্নাক ওন্দুনা ঙসিদি মীতৈ ওল্লগা লৈমিন্নখি। অসুম্না ঙসি ফাওবা শানোংবা হীগাইৱা হায়না খঙনরি। ইমুং-মনুং খৎনবা ফাওবদা কনানা হীগাইৱা কামশিল্লম্লে হায়নরিবনি।



মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদসু মোইরাং নিংথৌ খেল্লৈ নোঙাং তেলহৈবনা ভাগ্যচন্দ্রগীনা মাম্মা, মাম্মাদুনা মোইরাংগী লম অসি মাইবম লোকপা চীং ফাওবা মোইরাং ওইগে হায়রকপদগী লমগী ৱাহৌদগী খৎনরক্তুনা মোইরাং নিংথৌ খেল্লৈ নোঙাং তেলহৈবগী মচা ইবেম্মা শিজ শমজামনিবু অৱা নিংথৌদা থাজদুনা অৱা নিংথৌ Alaungpaya বু মমাকনুপা ওইরবা তুং মণিপুরদা লান্দাহল্লক্তুনা ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা তেখাও লৈবাক্কী অহোম নিংথৌ Sargadeo Rajeshore Singh গী কোনুংদা লাঞ্জেন্দুনা লৈখিদো। অসুম্না থেঙ্খাং কয়াদা মচিন মনাও নিংথৌ খুভম মুন্নবগী অমনা অমদা তোংশিন, মীচং-মীচং খায়দোক্লা কংলা সনা কোনুংদা মচিন মনাওগী লান কয়া থোক্তুনা অঙম-অঙম্বা নিংথৌ মুন্নবগী লাল্লোংদা মহারাজ চৌরজিৎ অমসুং মনাওনুপা মার্জিৎকা মনুং কাংজৈবুংদা শগোলথক্তা তোংদুনা চৌরজিৎনা থাঙ পায়, মার্জিৎনা তা পায় অঙম্বনা নিংথৌ ওইনসি হায়নরবদা চৌরজিৎনা ঙমদুনা মার্জিৎনা অৱা লৈবাক্তা চেন্দুনা অৱাগী মতেং লৌদুনা চৌরজিৎ মহারাজগী মথক্তা লান্দারকপদা মার্জিৎনা অমুক ঙমদুনা মণিপুরদা নিংথৌ অমুক ওইদুনা পাল্লবদা অৱা নিংথৌ Bhagidaw না অনৌবা নিংথৌ ওইবগী ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওবা চৎখিবদগী মার্জিৎ নিংথৌগী মথক্তা অৱানা অমুক নৈখাইরকখি। মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকখি। কোক ৱাংবা বৃটিশনা খুদোংচাবা ফংখিদো, মণিপুরদা খোঙ্গুল তাবা হৌখিদো। খন্দুনা য়েংসি পূন্নমকসি নিংথৌ খুভম মুন্নবগী লৈবাক কায়বনা অয়াম্বা ওইখিদো পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা।

হন্দক এপ্রিল ২৩ ‘খোংজোম লান’ নুমিৎতু ঐদি মহৌশাগুম রেদিও অমা পায়রগা ঐগী ষ্টুদিওদা থবক শূবা থোক্লকপনি। অয়ূক পুং ১০ মুক তারম্মদ্রা চপ চাবদি কাউরে, থবক হেক হৌবগা রেদিওদো তেক থাগৎপদা খোংজোম লান নীংশিং নুমিৎ ওইবনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা মরৈবাক নীংবা ঈশৈ “হো ইমা পোক্লফম ইমা নঙগুম্বী লৈতে ইমা- কোইনা থিদুনা লাপ্লা চৎতুনা নঙগুম্বী ফংলোই ইমা” তাবা ফংজখি। ঈশৈ অসিবু শৈরেংবনা ঐজ্ঞা বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মনি। শৈশকখিবনা রুপ রাগনি। শৈরাংবনা ঐজ্ঞা এ শ্যাম শর্ম্মনি। হান্নসু অদুম তাখ্রবা ঈশৈনি। অদুবু হন্দক মণিপুরদা ওইরক্লিবা লৈবাক্কী ঈরাং অসিদা নুংশিরবা ইমা মণিপুরসিবু কনবা ঙমখিগদ্রনে খল্লুবদা ঐ থম্মোয় কায়, ঈশৈদুনা ঐবু কপহনখি। মথংগী থৌরমদা খোংজোম লানগা মরী লৈননা রেদিও লীলা ‘পাওনা ব্রজবাসি’ শন্দোকপীরকখি। লীলা অদু লৈময়োল আর্ট সেন্টরগী লীলারোইশিংনা শান্নখিবা লীলানি।

লৈবাক নীংবা ঈশৈ অমা তারুবদগী পূক্নিং ওন্থোক্লা নুংশিনা পিরোইননা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা লীলাদু অমুক তারুবদগী থম্মোয়দা করি ফাওখিগে হায়বদা মসি পূন্নমকসি পূকচেল খোইজেল তিন্নদবা, মচিল মনাও লিংজেল মান্নদবদগী নীংতম্না লৈজরম্বা ইমা মণিপুরসে য়েক্লবা বৃটিশকী মখূৎতা মীখা হেক পোনখিদো। হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা মণিপুর ইমাগী শক্তমসে কায়গদ্রা কায়রোইদ্রা খন্দুনা ওন্থোক্লা ৱানা পূক্নিং লাংতক্লনা লৈরিঙৈ তাল্লকসিদা অথৌবশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক মায়থীরনি খঙলফাও থৱায়না পোন্থা পীদুনা অরোইবা য়াহিপ তাখিবা। অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ খোংজোম লান নুমিৎ অসিবু সোশল মীদিয়া পায়বা খরদি ‘হেপি খোংজোম লান’ হায়না থাগৎনবা থেংনখি। করম্বা ৱাখল্লোন্দা হায়রিবনো খনবদা খরা ৱাই। অনাবনি খন্দোক্লে অদুবু অনাবা অসিনা সুম-সুম কোভিদ লাইচৎতগী হেন্না থুনা য়াঙনা শন্দোরকপা তারবদি খুন্নাই অসি কনবদা অরুবা অমদি ওইগনি। হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মরৈবাক নুংশিবগী মমি তাবা নহারোল য়াম্না লৈ। মরৈবাক নুংশিবা শাবসু য়াম্না লৈ। মরৈবাক করম্না নুংশিগদগে খঙদবসু য়াম্না লৈ। মরৈবাক কন্নবা থৱায়না পোন্থা পীখিবশিংগীদমক শেংলবা খোংজোম তুরেলদা ঙমজবা হে-লৈ অমতং কৎপা ঙল্লবদি পোকপগী মহয় য়াল্লবনি খনগদবা নুমিৎ অসি নৎত্রবদি থাবল চোঙহৌদবা য়াদে খল্লিবা কোকশিং অদুগী খল্লুবদা ঐনা খনখি মালেমগী সিভিলাইজেশন কয়া ঈথক-ঈরাং হেনমনখিবনা মুৎখিবগী ৱারী কয়া মালেমগী পুৱারীদা থেংনৈ। ঐখোয় ৱাখল অমুক্তংদি খন্থুসি কৈদৌগে, অপীকপা ককচেংগী মান্নবা লিংজেলনা চাউরবা জীব ফাওবা ইরায় লায়না হাৎপা ঙম্মী। ককচেংদগী তমগদবা পাড়া কয়া লৈরি ঐখোয়গী খুন্নাইসি!! ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।